# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 04-09-2025)

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা মঙা ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লাইরেনতাবী মমাং লৈকাইদগী কে.সি.পি (সিটি মীতৈ) গী মীওই অমা ফারে। লালহৌলুপ অসিগী অতোপ্পা মীওই অমসু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খাবম চুমব্রে থোংদগী ফারে।

অতোপ্পা ওপরেসন অমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী বাসিখোঙদগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি.এল.এ) গী মীওই অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মহাক মীয়াম, করবাররালাশিং, বিষ্ণুপুর জিলাদা লৈবা স্কুলশিং অমদি কলেজশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি ।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাইরেনকাবী খুলদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অনি ফারে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ন্যু কৈথেলমানবীদগী মীওই অমা গঞ্জা কিলোগ্রাম ১৮৪ গা কোন্ননা ফারে। গঞ্জাশিং অদুবু পুরকপা টাটা ত্রক অমসু ফাগৎলে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়-রাজ্য অসিগী চিংনবা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম পুন্না য়েংবদা মহৌশাগুম শান্তি ওইখি।

**দ্রগ (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী তাদুবী পুলিস ষ্টেসন অমসুং ১৬ শুবা অসাম

রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা ময়াই কাবা নিশা ব্রাউন্দ সুগর লল্লোনবা মীওই মঙা ফারে।

নেসনেল হায়ৱে টুগী তাদুবী পুলিস ষ্টেসন চ্যেক পোষ্টতা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং অমা মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা জিপসি অনিদগী নুপী অমা য়াওনা মীওই মঙাগা কোন্ননা ব্রাউন্দ সুগর অদু ফাগৎখিবনি। ব্রাউন্দ সুগর অদু মখোয়না সাপোন কেপ ১৮৭ তা হাপ্তুনা পুরম্বনি। হীরম অসিগী মতাংদা তাদুবী পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি।

**এআর (এল)ঃ** মনিপুরগী ঐতিহাসিক ওইরবা কাঞ্চিপুরগী চীং নৎত্রগা লংথাবাল চীং হায়না খঙনদুনা লাকপা, অসাম রাইফলসনা লৈরম্বা চীংগী শরুক অসি রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টতা ঙরাং শিন্নখ্রে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়-শান্তি অমসুং কালা সংস্কৃত্তিবু ইকায় খুমবগা লোয়ননা অসাম রাইফলসনা চীংদুম অসি রাজ্য সরকারদা শিন্নখিবনি। হায়রিবা চীংদুম অসিগী মথক্তা শেংলবা মফম অসিদা লংথাবাল কোনুংসু লৈরিবনি। অসিগুম্বা য়ামা মরুওইবা মফম অসি মনিপুর মীয়ামদা শিন্নবা ঙম্বদা অসাম রাইফলসনা থোইদোকা হরাউবা ফোংদোক্লি।

অমরোমদা, আর্ট এন্দ কলচরগী দাইরেক্তর-কে. দিনামণিনা অসাম রাইফলসনা লংথাবাল চীংদা মখোয়না হান্না লৈরম্বা মফম অসি মনিপুর মীয়ামগী য়েংলগা থাদোক্লমদুনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টতা শিন্নরম্বা অসিগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লি।

**বিরেন (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মনিপুরগী ৱাংমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মনিপুরিশিংনা ঐখোয়গী নাৎ-চৎনবী অমসুং শক্তম ঙাক্তুনা থমবা হোৎনরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি।

যঙ মনিপুরি কাউন্সিল-অসামগী মীহুৎ কাংবু অমগা ঙরাং শ্রী বিরেনগা মহাক্কী য়ুমদা উন্নবগী অচম্বা থৌরম অমদা শ্রী বিরেননা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। অসামদসু নহা ওইরিবা কাউন্সিল অসিগী থৌমীশিংনা মনিপুরিশিংগী নাৎ-চৎনবী য়োকখৎতুনা থমবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। উন্নবা অদুদা কাউন্সিল অসিগী মীহুৎশিংনা অসামদা মনিপুরি ওটোনোমস কাউন্সিল অমা শেম্বদা শৌগৎপীনবা তকশিনখি।

মনিপুরগী ৱাংমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মনিপুরিশিংনা মখোয়গী হৌরকফম লমদম মনিপুরদা লাকপদা লৈফম চাফমগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক রিবা অসি কোকহন্নবগীদমক ইম্ফালদা মখোয়গী ওইবা গেষ্ট হাউস অমা শাবীনবসু মীহুৎ কাংবু অদুনা ফোংদোকখি। মসিগী মথক্তা অসামগী সিলচরদা মনিপুরি ভবন অমা শানবা হোৎনবদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু তকশিনখি।

শ্রী বিরেননা ৱাফম অসিগী মতাংদা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্তা বিশ্ব শর্ম্মদা হান্ননা মেমোরেন্দম অমা পীদুনা তকশিনখিবা লৈরে হায়না ফোংদোকখি।

**মণি (এল)ঃ** সিটিজন ফোর জষ্টিস মনিপুরনা, মনিপুরগী ইরাং লোয়শিনবীনবা রাস্ত্রপতি, প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

সিটিজন্স ফোর জষ্টিস মনিপুরগী চেয়ারপার্সন-খাইদেম মণিনা ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হায়-মনিপুরগী মতম কুইরবা ৱাথোক অসিনা রাজ্য অসিগা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অৱাবা কয়া পীরি। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী শেল থুমগী ফিভমদা চাউনা চৈথেং পীরি। মরম অদুনা, ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৌশাগুম তংদু লৈতানা, নুংশি চান্ননা লৈবা লমদম অমা ওইহনবীনবা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংদা মেমোরেন্দম অদু পীশিনখিবনি।

**জিএসটিঃ** নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোমদা মীয়ামনা মপুং ওইনা

শিজিন্নবা পোৎলমশিংগী মমল হন্থরগনি। অনৌবা রেট অসি থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌরগনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাউগা মীফম অমদা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা হায়-মীচম মীয়ামনা শিজিন্নবা পোৎলমশিং হান্না চাদা ১৮ নৎত্রগা ১২ জি.এস.টি. লৌরম্বা অদুদা চাদা ৫ দা হন্থহল্লগনি।

মরক অসিদা, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ঐতিহাসিক ওইরবা জি.এস.টি. রিফোর্মবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-অনৌবা জি.এস.টিগী থৌশিল অসিনা অপিকপা করবার তৌজরিবা মীওইশিং, থবক থিরিবশিং অমসুং শোথনা লৈরিবা ইমুং কয়াদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। খোঙথাং অসিনা ভারতকী ইকোনোমিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনবতা নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদমগুম্বা শোথরিবা মফমশিংবু চিংখৎতুনা থোং মানহন্নবা হোৎনবদসু কান্নবা কয়া পীরগনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং শানবা থৌশিল অসিনা ভারতপু চাউখৎপগী মায়কৈদা মাংজিল থানা চংশিনবা ঙম্লগনি হায়নসু শ্রী বিরেননা ফোংদোক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদি, মনিপুরদা লাকপগী পাউ হৌজিক ফাওবা লৈত্রি হায়না বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা ফোংদোকখিবা, রিলিফ কেম্পতা থোক্লিবা ফাইনান্সিয়েল ইরিগুলেরিতি থিদোকবা কংগ্রেসনা হায়খিবা অমসুং তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংদা জি.এস.টি. হান্না লৈরম্বা চাংদগী হন্থখিবগী পাউ ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

দোনর মিনিষ্ট্রিনা লুপা কোতি কয়াগী শেনফম থাদোকখ্রে। সাইন্টিফিক

ওইবা মওংদা স্মোক মি ট পুথোকবগী লুপা কোতি অনি হেনবরোমগী শেনফম য়াওরি হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-পি.এম. মনিপুরদা লাকপদা ইরাংসিগী ৱারোইশিন পুরক্কনি থাজৈ হায়না বি.জে.পিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। মসিগা মান্নবা পাউ-প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদিনা মনিপুরদা লাক্লবদি লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্কুনা মনিপুরদা পোপুলর গভরমেন্ট অমা শোয়দনা শেল্লগনি হায়বা বি.জে.পিগী ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জি.এস.টি. কাউন্সিলগী ৫৬ শুবা মীফম পাঙথোকখ্রে। চাদা ১২ অমসুং চাদা ২৮ লৌরম্বগী মহুৎতা চাদা ৫ অমসুং ১৮ লৌবদা অয়াবা পীখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-প্রাইম মিনিস্তর সেপ্তেম্বর ১৩ দা শোয়দনা লাকতৌরি। মী লিশিং ১৫ ফমবা কংলা মনুংগী লম্পাক শেমগৎলি, চুরাচান্দপুরদনা লিশিং ৯ গী শেমগৎলি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা বি.জে.পি. লৈঙাক লাকপদগী অমম্বা পুৱারী শেম্বা লেপত্রি, আই.দি.পিশিংগী শেনফম হাইহৎপা য়াওরব্রা, লান্না শিজিন্নরম্লবদি খুবাক ময়াইদা শগুন তৌগনি হায়না কংগ্রেসকী হরেশ্বর গ্বাশামীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এফ.এম.আর. অমসুং বোর্ডর ফেন্সিং লৌথোকপগা মরী লৈননা য়ু.এন.সিনা সেপ্তেম্বর ৮ দগী মতম কক্তনা মপান্দগী পোৎ পুশিল্লকপা থিংলগনি হায়না তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে- গানফিয়ু মেল অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস এদিসনদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকা কুকি-জো গ্রুপশিংগা ৱারী শাখ্রে, মনিপুর সরকারনা সু শাংদোক্লবা য়াই হায়না মোরনিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অসাম রাইফলসনা লংথবাল চীং হায়না খঙনরিবা মফম অসি আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রেনিকল, মনিপুর মেল, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন অমসুং অতৈ পাউচেশিংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

বিজয় গোবিন্দ থঙ্গাপাৎতা হৈক্রু হিদোংবগী হিয়াং তান্নবগী পাউসু পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংরি।